


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, MONDAY, JUNE 12, 2017 PAGE 7



স্পেনগী কটলুনাদা পাঙথোকপা মোটোর সাইকল গ্রান্দ প্রিদা মায় পাকখ্রুবা থংন-থংননা গ্রান্দ প্রি অনীরক টাইটল ফংখ্রবা দুকিতি কম্পেনিগী ড্রাইভর ইটালি মচা এন্দ্রি দোবিজিওসো

মমাঙ থাগী ইটালিয়ান ওপনদা শোকখিবা ওইগী ফৈগল অদু মপুং ফানা ফবা ঙমদবা মরক্না রিপ্লদনদগী রিজো তৌখ্রবা হান্না ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবী রুশিয়াগী মারিয়া সরাপোভা

## ইংলেন্দগী দোমিনিক কলভর্ট লেৱিননা চনখিবা পাঙ্গলনা ভেনিজ্বেলা থোইদুনা চহী ২০ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ টাইটল লৌখ্রে

*সুৱোন, জুন ১১ ঃ*

সাউথ কোরিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা মমাঙ থাগী ২০ দগী পাঙথোরকপা চহী ২০ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি সুৱোন ৱার্ল্ড কপ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা দোমিনিক কলভর্ট লেৱিননা চনখিবা অমত্তা ঙাইরবা পাঙ্গলনা ভেনিজ্বেলাবু মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি চহী ২। ২ লৈরগা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টনি। হৌখিবা ৱার্ল্ড কপ ২০১৫ দা পাঙথোকখিবা অদু সর্ভিয়ানা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি। সাউথ কোরিয়াগী ৱার্ল্ড কপ অসিনা পুন্না টিম ২৪ না শরুক য়াদুনা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেদিয়ম ৬ তা গ্রুপ ৬ থোক্লা থুগাইদুনা শান্নখি।

পনবা য়াবদি ইংলেন্দগী টিম্না চহী ২০ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ টাইটল ফংলকপা অসি চহী ৫১ গী মতুংদা হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। মখোয়না কুমজা ১৯৬৬ তা টাইটল লৌখি।

থা অসিগী ৮ দা শান্নখিবা ৱার্ল্ড কপ অসিগী সেমি ফাইনেলদা ইংলেন্দনা ইটালিবু পাঙ্গল ৩-১ দা মায়থিবা পীখি। হায়রিবা মেটচ অদুদা সোলানকেনা পাঙ্গল অনী অদুগা লুকমেননা পাঙ্গল অমা চনখি। অমরোমদা মেটচ অদুগী অহৌবা অনীশুবা মিনটতা ইটালিগী ওর্সোলিনিনা টিম অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঙ্গল অদু চনখি।

নুমিৎ অদুমক্তঃ সাউথ অমেরিকা লৈবাক অনীগী লম্বাদা অপীবা মতমদা পাঙ্গল অমমম লৈনবদগী এক্সত্রা টাইমদসু হেন্না ঙম্নদদুনা পেনাল্টি কাউনবদা ভেনিজ্বেলানা উরুগ্বেবু পাঙ্গল ৪-৩ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকখি।

ঙসিগী ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ ভেনিজ্বেলানা বোল হেন্না পায়দুনা তকশিল্লকখি। শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনটতা ইংলেন্দগী দোমিনিক লেৱিননা টিমমেট লেৱিস কুকনা কাউখিবা ফ্রি কিক অমা হন্দোরকপগী বোলদা অহানবা পাঙ্গল অদু চন্দুনা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

ভেনিজ্বেলাগী সেনিয়র টিম ফিফা ৱার্ল্ড কপ্তা অমুকফাওবা ক্বালিফাই ওইবা ঙমদ্রি। অনীশুবা হাল্ফকী ৬ শুবা মিনটতা টিম অদুগী সর্জিও কোর্দোভানা ইক্বেলাইজর ওইরম্বা য়াবা খুদোং চাবা অমা মাঙজখি। মখোয়না ফনা কন্না হোৎনরবসু পাঙ্গল হন্দাকপা ঙমদনা ইংলেন্দনা চহী ২০ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপকী টাইটল লৌখি।

ঙসি ষ্টেদিয়ম অদুমক্তঃ শান্নখিবা অহুমশুবা পোজিসনগী মেটচতা ইটালিনা উরুগ্বেবু পেনাল্টি সুট আওটতা পাঙ্গল ৪-১ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমহৌদ্রবসু অহুমশুবা পোজিসন তাখি।



*ভেনিজ্বেলাবু পাঙ্গল ১-০ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল ফংলবা ইংলেন্দগী টিম্না ট্রোফিগা লোয়ননা হরাওবা ফোঙদোকপা*

## স্পেনগী রাফেল নদালনা স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকা মায়থিবা পীদুনা ফ্রেঞ্চ ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখ্রে

*পেরিস, জুন ১১ ঃ*

স্পেনগী রাফেল নদালনা স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিনকা মায়থিবা পীদুনা চহী অসিগী অনীশুবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ওইখ্রে। নুপীগী দবলসকী মায়কৈদা য়ুএসএগী বেথানি মাটেক সেন্স অমসুং জেক রিপব্লিক্কী লুসি সফারোভানা ওষ্ট্রেলিয়াগী জুরা এসলি বার্টি অমসুং কেসি দেলাক্কাবু মায়থিবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

ফ্রেঞ্চ ওপন টুর্নামেন্ট অসিদা ৪ শুবা সিদেদ ওইখিবা স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং অহুমশুবা সিদেদ ওইখিবা ষ্টান ৱারিনকানা নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল লম্বা তৌনবদা হৌবদগী হৌনা রাফেল নদালগী মশান্না অদুনা ৱারিনকাবু লাকচবা ঙমখি।

অহানবা সেট অদুদা নদালনা ৱারিনকাগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬-২ দাথোইখি। মরক অসিদা পনবা য়াবদি ৱারিনকানা নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেলদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান অমদি টুর্নামেন্ট অসিগীসু নম্বর ৱান ওইরিবা গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মুরেবু য়াম্না অকনবা লম্বা থেংনরবা মতুং সেট ৫ চঙনা শান্নরবা মতুং ৩-২ দা থোইখি।


সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট মুরেনা টাই ব্রেক্তা ৮-৬ তা থোইখি। অনীশুবা সেট ৱারিনকানা ৬-৩ দা থোইরবা মতুং অহুমশুবাসেট অদুনা মুরেনা ৭-৫ সা থোইখি। মরিশুবা সেটতা ৱারিনকানা টাই ব্রেক্তা মুরেবু ৭-৩ দা থোইরবা মতুং মঙাশুবা সেটতদি ৱারিনকানা লাকচরক্তুনা ৬-১ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

অতোপ্পা সেমি ফাইনেলদা স্পেনগী রাফেল নদালনা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েম্বু ষ্ট্রেট সেটতা ৬-৩, ৬-৪, ৬-০ দা মায়থিবা পীরমখি।

ঙসিগী ফাইনেল মেটচ অদুগী অনীশুবা সেট অদুদসু নদালনা ফজবা হেনখিবদগী ৱারিনকাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬-৩ দা থোইদুনা সেট ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

ফাইনেল মেটচ অদুদা মীৎয়েং তাখিবা ভাবক কয়ানা ৱারিনকাগী মায়কৈদগী অহুমশুবা সেট অদুদা মেটচ অদু পুখৎলক্কনি হায়বগী অচৌবা থাজবা থম্লখি। অদুবু ক্লে কোর্টতা লম্বা লৈত্রে হায়না লৌনরিবা রাফেল নদালনা ৱারিনকাগী সার্ভিস গেম অনী ঙন্না ব্রেক তৌদুনা ৬-১ দা অহুমশুবা সেট অদু থোইদুনা ফাইনেল অদু মায় পাকপদগী ২০১৭ ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লাম টাইটল অদু লৌখিবগা লোয়ননা নদালনা মহাক্কী কেরিয়রদা ১১ রক শুবা ওইনা লৌবা ঙম্লিবনি।

নুপীগী দবলসকী ফাইনেল মেটচ অদুদা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা য়ুএসকী বেথানি মাটেক সেন্স অমসুং জেক রিপব্লিক্কী লুসি সফারোভানা ওষ্ট্রেলিয়াগী জুরা এসলি বার্টি অমসুং কেসি দিলাক্কাবু ষ্ট্রেট সেটতা ৬-২, ৬-১ দা মায়থিবা পীদুনা নুপীগী দবলসকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।



*ফ্রেঞ্চ ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রবা স্পেনগী রাফেল নদালনা ট্রোফি থাঙ্গৎপা*



*ফ্রেঞ্চ ওপনগী নুপীগী দবলসকী টাইটল ফংখ্রবা বেথানি অমসুং সফারোভা*

## মরমদমদা পাঙথোকপা অরোইবা মিটর ১০০ গী লমজেলদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন উসেন্ট বোল্টনা গোল্ড মেডল লৌখ্রে

*কিংষ্টন, জুন ১১ ঃ*

নুপাগী মিটর ১০০ অমসুং ২০০ গী ৱার্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙম্লিবা জমাইকাগী উসেন্ট বোল্টনা মহাক্কী মরমদমদা ঙরাং পাঙথোকখিবা অনীশুবা রেসর্স গ্রান্দ প্রি এঠলেটিক্স কম্পিটিসনদা মিটর ১০০ গী লমজেল অদু সেকেন্দ ১০.০৩ দা চেন্দুনা মরমদমদা অরোইবা কম্পিটিসন অদুগী মকোক ওইবা ঙমখ্রে।

চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা লন্দনদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড এঠলেটিক্স কম্পিটিসননা মহাক্কী কেরিয়রগী অরোইবা কম্পিটিসন ওইগদৌরিবা ওলিম্পিক অমদি ৱার্ল্ড এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ্তা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রবা মালেমগী খ্বাইদগী লমজেল য়াঙবগী রেকোর্দ থম্বা ঙম্লিবা জমাইকাগী উসেন্ট বোল্টনা জমাইকাগী কিংষ্টন সিটিদা পাঙথোকখিবা সেকেন্দ রেসর্স গ্রান্দ প্রি কম্পিটিসনদা মিটর ১০০ গী লমজেল অদু হৌরকপদা খরা শোথরবসু সেকেন্দ ১০.০৩ দা মকোক ওইদুনা মহাক্কী অরোইবা জমাইকাদা পাঙথোকপা লমজেল অদু মায় পাক্লা লোইশিনখি।

মায় পাক্লবা উসেন্ট বোল্টনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী কেরিয়রদা মিটর ১০০ গী লমজেল কয়ারক চেল্লকপা অদুগা ঙরাংগী অদুগা য়েংনরুবদা য়াম্না খেৎনখি। মহাক্কী মায়কৈদগী মরমদমগী ভাবকশিংগী মমাঙদা অরোইবা লমজেল ওইখিবনা মরম ওইরগা মহাক্কী ৱাখলদা য়াম্না নর্ভস লৈখিবা কম্পিটিসন অমা ওইখি হায়রি।

মশাগী চহী ৩০ শুরবা উসেন্ট বোল্টনা কিংষ্টনগী ভাবক ৩০,০০০ হেনবগী মমাঙদা মিটর ১০০ গী লমজেল অদু অহৌবা মিনটতা ৫০ দা শোথরম্লবসু লোইশিল্লকপদা মহাক্কী পাঙ্গল অদু ফুদোক্তুনা মকোক ওইবা ঙমখিবনি।

মিটর ১০০ অমসুং ২০০ গী ৱার্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙম্লিবা উসেন্ট বোল্টনা ওলিম্পিক্কী গোল্ড মেডল ৮ লৌবা ঙমখ্রবনি। মদুদসু নত্তনা ৱার্ল্ড এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপকী ওইনা মেডল ১৩ ফংদুনা ট্রেক্ট এন্দ ফিল্ডগী রেকোর্দতা মহাক্না লম্বা পীবদা ৱাবগী ফিভমদা লৈরিবনি।

কিংষ্টনগী সেকেন্দ রেসর্স গ্রান্দ প্রি এঠলেটিক্স কম্পিটিসন অদুদা মিটর ৪০০ গী ৱার্ল্ড রেকোর্দ থম্বা ঙম্লিবা সাউথ অফ্রিকাগী ৱেদ ভান নৈকর্কনা সেকেন্দ ১৯.৮৪ দা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখি।



## জর্মনিগী সান্দ্রো ৱেগনরগী হেটট্রিক্না মপুং ওইরগা সান মারিনোবু ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফিকেসন রাউন্দগী মেটচ অমদা ৭-০ দা মায় পাকপা ঙমখ্রে

*নুরেম্বর্গ, জুন ১১ ঃ*

রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা কুমজা ২০১৮ তা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপকী য়ুরোপিয়ান ক্বালিফিকেসন রাউন্দগী গ্রুপ (সি) গী ঙরাং শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ুম্বু ওইখিবা জর্মনিগী ষ্ট্রাইকর সান্দ্রো ৱেগনরনা চনখিবা হেটট্রিক্না মপুং ওইরগা টিম অদুনা সান মারিনোবু পাঙ্গল ৭-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙরাং সান মারিনোবু পাঙ্গল ৭-০ দা মায়থিবা পীখ্রবা মতুং জর্মনিনা য়ুরোপিয়ান ফিফা ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফিকেসনগী গ্রুপ (সি) গী রাউন্দ ৬ শান্নবা লোইশিল্লকপদা ৬ মক মায় পাক্তুনা পোইন্ট ১৮ ফংদুনা ফিফা ৱার্ল্ড কপকী ক্বালিফাই ওইবা য়াবগী অচৌবা তাঞ্জা অমা লাক্লি।

মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা জর্মনিনা সান মারিনোবু খুদুম চন্দুনা শান্নখি। য়াম্না ঙন্না শান্নবগী ১১ শুবা মিনটতা জর্মনিগী দ্রেক্সলরনা অহানবা পাঙ্গল অদু চনখি। মহাক্কী পাঙ্গল অদুগী মতুং মিনট ৫ লৈরগা ৱেগনরনা ১৬ শুবা মিনটতা টিম অদুগী অনীশুবা পাঙ্গল অদু চনখি।

ৱেগনরনা মখা তানা ২৯ শুবা মিনটতা পাঙ্গল অমগা চনবাঙমখি। মহাক্কী মতুং টিমমেট য়োনিজনা ৩৮ শুবা মিনটতা পাঙ্গল অমগা হাপচিল্লগা অহানবা হাল্ফ অদু জর্মনিনা সান মারিনোবু ৪-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

হাল্ফ মতুং হৌরকপগা জর্মনিগী মুস্তাফিনা পাঙ্গল অমগা হাপচিনখি। টিমমেট ব্রান্টনা ৭২ শুবা মিনটতা মেটচ অদুগী ৬ শুবা পাঙ্গল অদু হাপচিন্দুনা লৈখি। অদুগা শান্নবা লোইগদবা মিনট ৫ ৱাৎলিঙৈদা ৱেগনরনা মহাক্কী হেটট্রিক ওইখিবা পাঙ্গল অদু চন্দুনা সান মারিনোবু ৭-০ দা থোইখি।

গ্রুপ (সি)গী অতোপ্পা মেটচ অমদা নোর্দন আয়রলেন্দনা অজরবাইজানবু পাঙ্গল ১-০ দা থোইরগা পোইন্ট ১৩ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি। অদুগা গ্রুপ অদুগী অতোপ্পা মেটচ অমদা নোরৱে অমসুং জেক রিপব্লিক পাঙ্গল ১-১ দা ড্রো চৎখি।

গ্রুপ (ই) দা পোলেন্দ, দেনমার্ক অমসুং মোন্টিনিগ্রো মায় পাকপা ঙমখি। পোলেন্দগী লিৱানদোস্কিগী হেটট্রিক্না রোমানিয়াবু ৩-১ দা থোইখি। পোলেন্দনা মেটচ ৬ তা পোইন্ট ১৬ ফংলগা মাঙজিল থারি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা মোন্টিনিগ্রোনা অর্মেনিয়াবু পাঙ্গল ৪-১ দা মায়থিবা পীখি। হায়রিবা মেটচ অদুদা মোন্টিনিগ্রোগী জোবিটিক্না হেটট্রিক ফংখি।

দেনমার্ক অমসুং কজাকষ্টানগা শান্নখিবা গ্রুপ (ই) গী ৬ শুবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা দেনমার্কনা পাঙ্গল ৩-১ দা মায় পাকখিবদগী টিম অদুসু মোন্টিনিগ্রোগা লোয়ননা পোইন্ট ১০ / ১০ ফংলগা ক্বালিফাই ওইবগী লমজেল য়াওরি।



*সান মারিনোবু ৭-০ দা থোইখিবদা জর্মনিগী মায়কৈদগী হেটট্রিক ফংখিবা ৱেগনর*

## য়ুএসকী নাকামুরানা মাঙজিল থাদুনা চৎলি ইন্দিয়াগী আনন্দ অনীরক শুবা ওইনা মায়থিখ্রে



*ষ্টাবেঙ্গর, জুন ১১ ঃ*

নোরৱেগী ষ্টাবেঙ্গরদা চংখরিবা ওল্টিবোক্স নোরৱে চেচ টুর্নামেন্টকী মরিশুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা য়ুএসএগী হিকারু নাকামুরানা পোইন্ট ৩ ফংদুনা শান্নরোই ১০ না শরুক য়ারিবা টুর্নামেন্ট অসিদা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। অদুবু টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী হান্না ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরম্লবা বিস্বানাথন আনন্দ অনীরকশুবা ওইনা মায়থিবা নংদুনা খ্বাইদগী মমৈদা লৈরি।

ঙসি মরিশুবা রাউন্দ অদুদা য়ুএসএগী গ্রান্দ মাষ্টর হিকারু নাকামুরানা ফ্রান্সকী গ্রান্দ মাষ্টর মেক্সিম লাগ্রেবপু মায়থিবা পীদুনা হান্না পোইন্ট ২ লৈরম্বদগী ৩ য়ৌবা ঙমখি।

অমরোমদা ইন্দিয়াগী বিস্বানাথন আনন্দ হান্না রাউন্দ ৩ লোইশিনখিবদা পোইন্ট ১ ফংদুনা লাকখিবা অদু ঙসি নেদরলেন্দসকী গ্রান্দ মাষ্টর অনিস গিরিগী মখুত্তা মায়থিদুনা মখোয় অনীমক পোইন্ট অমমমদা লৈনরম্বদগী গিরিনা অমা হেনখিদুনা আনন্দনা শান্নরোই ১০ গী কম্পিটিসন অসিদা খ্বাইদগী মমৈদা লৈরি।

মরিশুবা রাউন্দদা অর্মেনিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর লেভোন আরোননিয়াননা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক্কী শান্নরোই মেগনস কার্লসনবু মায়থিবা পীদুনা পোইন্ট ২.৫ ফংদুনা রুশিয়াগী ক্রামনিক্কা পোইন্ট মান্নদুনা অনীশুবদা লৈমিন্নরি।

## ইন্দিয়াগী রামকুমারনা ফ্যুচর টেন্নিস টাইটল লৌখ্রে

*সিঙ্গাপোর সিটি, জুন ১১ ঃ*

সিঙ্গাপোরনা য়ুম্বু ওইদুনা সিঙ্গাপোর সিটিতা পাঙথোকপা দোলর ১৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা আইটিএফ মেন্স ফ্যুচর টেন্নিস টুর্নামেন্টকী টাইটল অদু ইন্দিয়াগী রামকুমার রামানাথননা লৌখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা টুর্নামেন্ট অসিদা অহানবা সিদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী রামকুমার রামানাথননা য়ুএসএগী নিকোলাস এস হুগা লম্বা তৌনখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদু শান্নরোই অনীনা য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা শান্নরকখিবদগী টাই ব্রেক্তা রামকুমারনা ৭-৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অদুবু অনীশুবা সেট অদুদদি ইন্দিয়াগী রামকুমারনা য়াম্না ফজনা শান্নরক্তুনা মহাক্কী লম্বা ওইখিবা য়ুএসএগী নিকোলাসকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-২ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

## ৱেষ্ট বেঙ্গলগী নুপা অমসুং নুপীগী টিম্না টাইটল ফংখ্রে

*চেন্নাই, জুন ১১ ঃ*

তামিল নাদুগী চেন্নাই সিটিদা পাঙথোকপা জুনিয়র নেসনেল রগবি সভেন্স চেম্পিয়ন্সিপ্তা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী নুপা অমসুং নুপীগী টিম্না মখোয়-মখোয়গী লম্বাবু মায়থিবা পীদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী নুপামচাগী টিম অদুনা মহারাস্ত্রগী টিম্বু ফাইনেলদা পোইন্ট ১২-৭ দা মায়থিবা পীখি। অমরোমদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী নুপীগী টিম অদুনা মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন ওইরিবা উরিষাবু পোইন্ট ১৭-৫ দা থোইরগা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী জুনিয়র বোইজকী কোচ ওইরিবা সঞ্জয় পত্রনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না চেন্নাইগী টুর্নামেন্ট অদুদা ষ্টেটকী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী টিম অনীমক্না টাইটল ফংখিবা অদু য়াম্না নুংঙাইবা তাঙ্কক অমনি। শান্নরোইশিং অদুনা য়াম্না কন্না ট্রেনিং চৎখি হায়রি। নুপামচাগী কাঙলুপ্তা উরিষানা বিহার থোইরগা অহুমশুবা তাখি।

## পঞ্জাবনা কেরলা থোইদুনা জুনিয়র চেম্পিয়ন ওইখ্রে

*নোইদা, জুন ১১ ঃ*

নোইদাদা লৈবা সিব নাদর য়ুনিভর্সিটি কমপ্লেক্সতা ঙসি পাঙথোকখিবা ৬৮ শুবা নেসনেল জুনিয়র বাস্কেটবোল চেম্পিয়ন্সিপ্তা পঞ্জাবনা কেরলাবু মায়থিবা পীদুনা নেসনেল জুনিয়র বাস্কেটবোলগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

পঞ্জাবকী মায়কৈদগী মন্দিপ সিংহ অমদি গুরৱিন্দর সিংহনা মথংশিংনা পোইন্ট ৩৩ অমসুং ২৭ লৌদুনা মখোয় অনীনা পুন্না পোইন্ট ৬০ স্কোর তৌখিবা অমদি টিমমেট প্রিপাল সিংহনা পোইন্ট ১২ ফংখিবা অদুনা টিম অদুগী অপুনবা স্কোর অদু ১০০ য়ৌহল্লবা মতুং মখোয়না কেরলাবু ১০০-৮২ মায়থিবা পীরগা নেসনেল জুনিয়র বাস্কেটবোলগী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

নুপীগী জুনিয়র কাঙলুপ্তা তামিল নাদুনা উত্তর প্রদেশপু য়াম্না নক্নবা স্কোরদা পোইন্ট ৬৯-৬৩ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি। চেম্পিয়ন ওইরবা টিমশিংনা শেলগী মনা ওইনা লুপা লাক্ষ অমমম ফংগদৌরি। অদুগা রন্নর্স অপ ওইরবা নুপা অমসুং নুপীগী টিম্না লুপা ৭৫,০০০ ফংগদৌরি।